অফঘানিষ্টানগী নঙ্গরহর প্রোভিন্সতা সুইসাইদ বোম্মিং এটেক চথুরকপদা মীওই ১৩ শিখ্রে, ৩০ হেন্না শোক্লে

কাবুল, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানগী নঙ্গরহর প্রোভিন্সতা মীখলগা মরী লৈনবা রেল্লি অমা পাঙথোক্লিঙৈদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা এটেক চথুরকপদা মীওই ১৩ শিরে অমসুং অতোপ্পা ৩০ হেন্না অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউসকী মীখলগা মরী লৈননা মমাঙ চয়োলদগী ভোট খোন্বা হৌখ্রবা মতুংদা মতৌ অসুম্না বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চথুরকপা ঙসিনা অহানবনি।

ওক্টোবর ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা অপনবা পীরকপা ঙমহন্দনবগী মতাংদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক টালিবান্না খুদুম চল্লিবা মফমশিংদা অকায়-অতোয় থোক্তনা মীখল পাঙথোকপা ঙমগদ্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, ঙসি অয়ুক অব্দুল নাসির মহম্মদ শৌগৎপা মীওইশিংনা নোংপোকথংবা নঙ্গরহর দিষ্ট্রিক্তা কমাদা মীখলগা মরী লৈননা মীফম অমা পাঙথোক্লিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা সুইসাইদ এটেক চথুরকখিবনি। প্রোভিন্সিএল গভর্ণরগী স্পোক্সমেন অতাহুলা খোগিয়ানিনা হায়খি, বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা অশোক অপন নংলবা মীওই খরগী ফীভম লুনা লৈরি। নঙ্গরহরদা টালিবান অমদি ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা মিলিটেন্ট কয়া লৈরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থৌদোক অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

পনবা য়াবদি, অপূনবা মেম্বর ২৪৯ লৈবা পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউসতা মীরেপ ওইগদবা মীওই ২,৫৬৫ চোংথোরকপা লৈখ্রবনি। মীখলগা মরী লৈননা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা মীরেপ মঙা শিখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনগী রিপোর্ট মতুংইন্না মীরেপ অনী খুৎলায় পায়বশিংনা ফাজিনখিবদগী হৌজিক ফাওবদা থিবা খঙদ্রি। অমরোমদা, অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কুনার প্রোভিন্সতা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অমগী বোদিগার্দ অহুম নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। মতম শাংনা টালিবানগী লৈঙাক মখাদা লৈরল্লবা অফঘানিষ্টান্দা মীখল পাঙথোক্লুবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লুরি। অচুম্বা মওংদা মীখল পাঙথোকপা ঙমহন্নবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা বাইওমেট্রিক সিষ্টেম শীজিন্নদুনা ভোটরশিং রেজিষ্টার তৌহনগদবনি হায়না তকশিল্লকখি।

অফঘানিষ্টানগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা বাইওমেট্রিক সিষ্টেম শীজিন্নবা তারবদি মীখলদা অরানবা থৌওং অমত্তা চথবা ঙম্লোই হায়না ওপোজিসন পার্টিশিংনা তকশিল্লকখি। অফঘানিষ্টানগী পার্লিয়ামেন্টতা অপ্পর অমদি লৱার হাউস লৈবা তারবসু লৱার হাউসকী মেম্বরশিং মীখল পাঙথোক্লগা মীয়াম্না খনবনি। অপ্পর হাউসকী মেম্বরশিংগী লোকেল কাউন্সীল অমসুং পার্লিয়ামেন্টরিয়ানশিংনা খল্লি। মসিগীসু মথক্তা লৈবাক্কী প্রসিদেন্টনা মেম্বর খরা নোমিনেট তৌই।

মতম শাংনা অলকাইদা অমসুং টালিবানগী অকনবা মফম ওইদুনা লৈরকখ্রবা অফঘানিষ্টান্দা হৌজিক ইস্লামিক ষ্টেটকী লুচিংবা মীওই কয়া চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা নোংচুপ লৈবাকশিংগী খুৎ চঙলকপা ঙমহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা ফোঙদোকখি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি অফঘানিষ্টানগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা মীখলনি।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র বোম ৬০ হেন্না লৈ : চো মিওং গ্যোন

সোল, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার বোম ৬০ রোম লৈ হায়না সাউথ কোরিয়াগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্টর চো মিওং গ্যোননা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে।

অরোনবা মওংদা পাক শান্না মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা খুৎলায় কয়ামরুম পৈশিন্দুনা থল্লিবা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার বোম লৈ হায়না সাউথ কোরিয়াগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকপা হন্দক্লা অহানবনি। অদুম ওইনমক নোর্থ কোরিয়াবু হৌজিক ফাওবা ন্যুক্লিয়ারগী মতিক ময়াই লৈবা লৈবাক অমনি হায়না শক খঙবা তৌদ্রি।

য়ুনিফিকেসন মিনিষ্টর চো মিওং গ্যোননা হায়খি, নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার ফনা য়াম্না লৈরবসু লৈবাক অসিবু ন্যুক্লিয়ারগী মতিক ময়াই চেনবা লৈবাক অমনি হায়না শক খঙবা তৌরোই। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না নোর্থ কোরিয়াগী প্লুটোনিয়ম কিলোগ্রাম ৫০ হেন্না পুথোক্লে হায়রি। মসিনা য়ামদ্রবদা ন্যুক্লিয়ার বোম ৮ শাবা কোন্নগনি।

রিপোর্ট অসিগী মতাংদা সাউথ কোরিয়াগী নেসনল ইন্টিল্লিজেন্স সার্ভিসনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কোরিয়ন পেনিনসুলাদা পাক শন্না মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা খুৎলায় অমত্তা লৈহন্দনবগী পান্দমদা নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শানদুনা লাকখিবনি। য়ুল্লোন্নবা কোরিয়া অনীনা কুমজা ১৯৫৩ দা য়ান্ন-চে অমা খুৎয়েক পীনখিবা তারবসু টেক্নিকেল ওইবা মীৎয়েংদা কোরিয়া অনী হৌজিকসু লান শোক্লুরি হায়না লৌবা য়াই।

হৌখিবা এপ্রিল থাদা নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়াগী লুচিংবশিং দিমিলিটরাইজ জোনদা উনদুনা চহী অসিগী মনুংদা য়ান্ন-চে অমা খুৎয়েক পীনবগী মতাংদা ৱারী শানখি।

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উননা হায়খি মদুদি, য়ুল্লোন্নবা কোরিয়া অনী য়ানবা পুরক্লুবা হোৎনরবসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অথিংবা থমজিল্লক্তুনা কোরিয়ন পেনিনসুলাদা মখা তানা চরাংনবা ফীভম থোকহন্নবা হোৎনরে।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাদা কিম জোং উন অমদি সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্ট মুন জাই ইননা য়ান্ন-চে অমা খুৎয়েক পীনদুনা ঈং-তপ্পা পুরক্লুবগী ৱাফম অয়াবা পীখ্রবনি।

মহাত্মা গান্ধীদা কোংগ্রেসনেল গোল্ড মেদল পীনবা পুখৎখ্রে

ৱাশিংতন, ওক্টোবর ০২(এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়ন অমেরিকান মরি য়াওনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মতিক ময়াই লৈরবা কোংগ্রেসমেন খরনা মহাত্মা গান্ধীদা লেমজনিংঙাই ওইরবা কোংগ্রেসনেল গোল্ড মেদল পীনবা ৱাফম হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবতা পুখৎখ্রে।

মালেমদা ঈং-তপ্পা পুরক্লুবগী মতাংদা মহাত্মা গান্ধীনা লৌরম্বা থৌদাংবু শক খঙবা ওইনা লেমজনিংঙাই ওইরবা গোল্ড মেদল অসি মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা পীফম থোকই হায়না কোংগ্রেসমেনশিংনা ফোঙদোকখি।

ন্যু য়োর্ককী কোংগ্রেস ৱিমেন কেরোলিন মেলোনিনা ৱাফম অসি য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবতা পুখৎখি। ইন্দিয়ন অমেরিকান মরি-এনি বেরা, রাজা কৃষ্ণমুর্ত্তি, রো খানা অমসুং প্রমিলা জয়পালনা ৱাফম অসি মপুং ফানা শৌগৎখি।

হাউসকী কোংগ্রেসনেল কোকস ওন ইন্দিয়া এন্দ ইন্দিয়ন অমেরিকান্সকী কো চেয়রপার্সন ওইরিবা তুলসি গর্বাদনসু ৱাফম অসি মপুং ফানা শৌগৎখি। মহাত্মা গান্ধীদা কোংগ্রেসনেল গোল্ড মেদল পীনবগী রিজোলুসন অদু কম্মিটি ওন ফাইনান্সল সার্ভিসেস অমদি কম্মিটি ওন হাউস এদমিনিষ্ট্রেসন্দা থাদখ্রে।

কোংগ্রেসনেল গোল্ড মেদল হায়বসি য়ু এস কোংগ্রেসনা পীবা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী সিবিলিয়ান এৱার্দনি। হৌজিক ফাওবদা এৱার্দ অসি ফংখ্রবা মপান লৈবাক্কী মীওইশিংদি মাদর তেরেসা (১৯৯৭), নেলসন মন্দেলা (১৯৯৮), পোপ জোন পোল টু (২০০০), দলাই লমা (২০০৬), ওং সান সু চি (২০০৮), মহম্মদ জুনুস (২০১০) অমসুং সাইমন পেরেস (২০১৪) নি।

পাকিষ্টানগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরম্বা ইসাক দারগী লন থুম ওক্নন তৌনবা এন্টি করপসন কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে

ইস্লামবাদ, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী)ঃ

পাকিষ্টানগী এন্টি করপসন কোর্ট অমনা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ইসাক দারগী বেঙ্ক একাউন্টশিং ফাজিনবগা লোয়ননা মরল-মথুম পুন্নমক ওক্নন তৌনবগী অয়াবা পীখ্রে।

পনামা পেপরসকী ৱাথোক্তা চেন্নে হায়বগীদমক শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈননা কেস অমা থাঙ্গৎলকখ্রবা মতুংদা মীরোৎ ওইখ্রবা ইসাক দারগী লন-থুম পুন্নমক ওক্নন তৌনবগী অয়াবা পীখিবনি। জুলাই ২৮ দা সুপ্রীম কোর্টনা ইসাক দার অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফকী মথক্তা ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা নেসনল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরো (এন এ বি) না হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অসিগী মথক্তা কেস অমা ফাইল তৌখিবনি।

দোন পাউচেগী রিপোর্টনা হায়, এন এ বিনা ইসাক দারগী লন-থুম পুন্নমক ওক্নন তৌনবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়না এন্টি করপসন কোর্টতা কেস ফাইল তৌরকখি। হিরম অসিগী মতাংদা কোর্টনা হায়খি, পঞ্জাবকী প্রোভিন্সিএল গভর্ণমেন্টনা ওক্নন তৌবগী থৌদাং লৌগদবনি। হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টরগা মরী লৈনবা লন-থুম পুন্নমক ফাজিন্দুনা থমগদ্রা হায়বদুগী মতাংদা প্রোভিন্সিএল গভর্ণমেন্টনা অরোইবা ৱারেপ লৌগদবনি হায়নসু কোর্টনা ফোঙদোকখি।

এন এ বিনা নৱাজ সরিফকা নক্লবা মীশক অমা ওইরিবা ইসাক দারগী মরল-মথুম পুন্নমক ফাজিন্দুনা থম্নবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়না ইস্লামবাদতা লৈবা এন্টি করপসন কোর্টতা ৱাকৎলকখি। হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অসি মমাঙ চহীগী ওক্টোবরদগী হৌনা লন্দনদা চেন্দুনা লৈখ্রবনি। পাকিষ্টান্দা হল্লক্তুনা ট্রাইয়েল মায়োক্লনবা কয়ারক হন্না হায়বদা থৌশাদে হায়বগীদমক ইসাক দারবু মীচেন ওইরে হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে। হিরম অসিগা মরী লৈননা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা সুপ্রীম কোর্টনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফ দিসক্কালিফাইদ তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কা নক্লবা মরী-মতা পুন্ন মক্কী মথক্তা করপসনগী কেস লৌখৎনবা অয়াবা পীখি।

মরুওইনা সরিফকী মচা মারিয়াম নৱাজ, হুসেন অমদি হাসন, লোয়ননা মমাকনুপা কেপ্টেন (রিটয়ার্দ) মহম্মদ সফদারগী মথক্তা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈনবা কেস লৌখৎনবা খঙহনখি। এন্টি করপসন কোর্টনা মশাগী চহী ৬৭ শুরবা দারগী লাহোর অমসুং ইস্লামবাদতা লৈবা লন-থুম পুন্নমক ফাজিন্দুনা থম্নবা য়াথং পীবা লৈখ্রবনি।

মীওই অহুমনা ২০১৮ গী নোবেল ফিজিক্স প্রাইজ পুন্না ফংমিন্নখ্রে

ষ্টোকহোম, ওক্টোবর ০২(এজেন্সী)ঃ

চহী অসিগী ওইনা লেমজনিংঙাই ওইরবা ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ মীওই অহুমদা পুন্না পীনবা ৱাফম লাউথোকখ্রে।

ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ পীনবা খল্লবা মীওইশিং অদুদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অর্থর এস্কিন, ফ্রান্সকী জেরার্দ মোরো অমসুং কেনাদাগী দোনা ষ্ট্রিকলেন্দনি। রিপোর্ট অমনা হায়, দোল্লর মিলিয়ন ১.০১ গী মনা অসিগী তংখায় অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অর্থর এস্কিনদা পীরগনি। লেমহৌরিবা তংখায় অদুনা ফ্রান্সকী জেরার্দ মোরো অমসুং কেনাদাগী দোনা ষ্ট্রিকলেন্দদা পীগনি।

ওপটিকেল ত্বিজর পুথোকপগীদমক মশাগী চহী ৯৬ শুরবা এস্কিনদা ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ পীনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না জুরিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকখি।

রোয়ল স্বিদিস একাদেমীক ওফ সাইন্সেসকী রিপোর্টনা হায়, মশাগী চহী ৭৪ শুবা মোরো অমসুং ষ্ট্রিকলেন্দ (ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ ফংবা অহুমশুবা নুপী) না অতেনবা ওপটিকেল পল্স পুথোকপগীদমক লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অসি পীনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

মখোয়না পুথোক্লিবা লেজর পল্স অসিগী মতেংনা মীৎকী ওপরেসন তৌবদা খুদোংচারগনি। মমাঙ চহীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী এষ্ট্রোফিজিসিষ্ট বেরি বেরিষ্ট, রিপ থোর্ন অমসুং রেনর ৱিসনা লেমজনিংঙাই ওইরবা ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ ফংখি।

পনবা য়াবদি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জেমস এলিসন অমসুং জপানগী টাসুকো হোঞ্জোদা চহী অসিগী লেমজনিংঙাই ওইরবা নোবেল মেদিসিন প্রাইজ পীরগনি হায়না লাউথোরকপা লৈখ্রবনি। য়ুমশকৈশা নুমীৎতা নোবেল কেমিষ্ট্রি প্রাইজ ফংলবা মীওইশিংগী মমিং লাউথোক্লগনি। ইরাই নুমীৎতনা চহী অসিনা নোবল পিছ প্রাইজ ফংলবা মীওই অদুগী মমিং লাউথোক্কনি হায়রি।

ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ/NOTICE

Dt. 01.10.2018

হৌখিবা তাং ০১/১০/২০১৮ ইংগী নুংথিল পুং ৩ তাবদা United Youth's Club, Khangabok কী Executive Meeting দা লৌখিবা ৱারেপ অহুমশুবগী মতুং ইন্না ক্লব অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি অরিবা মেম্বরশিংগী Renewal তৌবা অমদি অনৌবা মেম্বরশিং মীং চনশিনহনবগী থবক তাং ০২/১০/২০১৮ ইংদগী হৌরগা তাং ০৩/১০/২০১৮ ইংগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা চথজগনি। হায়রিবা হিরম অসিগীদমক ক্লব অসিগী প্রসিদেন্টদগী মরী লৈনবা চে-চাং লৌবীয়ু।

Sd/- **Kh. Jugindro Singh**
President
United Youth's Club, Khangabok

HL-B/4897/3

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL IMPHAL COLLEGE, IMPHAL

EXAMINATION NOTICE

Imphal, the 1st October, 2018

It is hereby notified to all the B.A/Sc. 1st, 5th and 3rd Semester students of this College that the submission of Examination forms 2018 are scheduled as under. The examination form can be had from the College cash counter on payment of Rs. 100/- (Rupees one hundred) only per form.

Last date for submission of Examination Forms :

	Without Fine	With Fine
B.A/B.Sc. 1st and 5th Sem.	15th Oct. 2018	25th Oct. 2018
B.A/B.Sc. 3rd Sem. 2018	17th Nov. 2018	24th Nov. 2018

Sd/- **Dr. M. Priyobrata Singh**
Principal,
Imphal College, Imphal

HL-P/2231/3

OFFICE OF THE PRINCIPAL STANDARD COLLEGE, KONGBA, IMPHAL EAST

EXAMINATION NOTICE

Imphal, the 1st October, 2018

No. SC/15-U/Exam-18: It is hereby notified for general information to all the concerned students that the last date for submission of duly fill up Examination forms and fees B.A / B.Sc 1st, 3rd & 5th Semesters Examinations 2018 (Nov) are fixed as follows :-

B.A/B.Sc. 1st & 5th Semester 19-10-2018 Without fine
26-10-2018 With fine
B.A/B.Sc. 3rd Semester 17-11-2018 Without fine
24-11-2018 With fine

Details can be seen from College Notice Board.

Sd/- **M. Kumar Singh**
Principal,
Standard College, Kongba Imphal

HL-P/3651/3

ꯊꯨꯅꯥ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯏ
URGENT REQUIRE
Regd. No. IW (UP/0915(CE) of 2017, Govt. of Manipur

Sl. No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Salary
1.	Primary Teacher Training Course(Urgent Required) 100% Job Placement After Completion The Training			
2.	Urgent Imphal Post Vacancy – First Come First Chance			
	i. Writing Copy at Home (Housewife/Student)	30	VIII/X/XII	Rs. 350 per copy
	ii. Sweeper (Man & Women for Hospital)	25	VIII/X/XII/G	5,000-15,000
	iii. Banking Sitting Staff (North East & Imphal)	20	G/M	18,000-40,000
	iv. Micro Finance Staff CRO/RO	20	X/XII/G	15,000-30,000
	v. Micro Finance Staff PO/Loan Officer/BDO	10	X/XII/G	15,000-30,000
	vi. Office Front Reception/Attendant	5	VIII/X/XII	4,000-15,000
	vii. Company Driver (Light Vehicle)	20	VIII/X/XII	5,000-10,000
	viii. VIP Driver (Light Vehicle)	10	VIII/X/XII	5,000-10,000
	ix. Man Guard/Ladies Guard	30	VIII/X/XII	5,500-10,000
	x. Home Delivery Staff/Sales Executive	40	VIII/X/XII	5,000-10,000
3.	All India Post Vacancy Of Airlines & Airport at Bangalore(Semi Govt. Job) for - 100% Guide and Success			
	i. Cargo Loader/ Helper	20	X/XII	15,000-40,000
	ii. Guest Service Agent(GSA)	30	X/XII	18,000-60,000
	iii. Ground Staff/Retail/ /CSA/ATC	20	XII/G	15,000-70,000
	iv. Cabin Crew	40	XII/G	15,000-70,000
	v. Porters Staff/Hatty Coffee	10	G	30,000-80,000
	vi. VIP Launch	20	XII	10,000-30,000
	vii. Airport Driver/Pushack Operator (Heavy/Light)	15	XII/G	15,000-70,000
	viii. Airport Security	10	X/XII	19,000-50,000
3.	No Donation & No Deposit Work at Imphal – First Come First Chance			
	i. Sale Man/Car Wash	20	VIII/X/XII	6,000-15,000
	ii. Warden/Helper/Mali	15	VIII/X/XII	5,000-10,000
	iii. Marketing Manager/Data Entry	10	X/XII	6,000-15,000
	iv. Area Counselling Manager	15	X/XII	8,000-20,000

Pliz Contact:
Kanglei Guidance Centre
Uripok Over Bridge Makhong Near Cosmo Dental Clinic
☎: 8575764834 / 9077766104

Last Date of Submission : 25-10-2018
Date of Interview : 26-10-2018
Office Hour 10:00 a.m to 04.00 p.m

HL-P/5466/3-15(Alt.)&18-25 oct.

ꯀꯕꯤꯔꯥꯖ ꯍꯛꯄꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ
কবিরাজ অব্দুল হকপু থাগৎচরি

পাইলসগী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা শৌজদগী খোং হাম্বদা ঈ য়াওবা, চাথৎলগা থুপ্পা শাবা, শৌজগী মনুং-মপান্দা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, খোং হাম্বা য়াদবা, কুইনা চঙবা, শা-ঙা চারগা হেনবা, শৌজদা শারি-শারি তৌবা, পুক য়াম নুংঙাইতবা, খ্বাং নাবা, গ্যাষ্টিক, চানিংবা পোক্তবা পুন্নমক অসি ঙসিদি ৱাঙ্গৈাই এস বি আই অৱাংদা লায়েংবীরিবা ওজা অব্দুল হক, কন্টেক্ট নম্বর ৮৭৯৪৪২৯৬৮১, ৮০১৪৬২৩৭৫৬ কী হিদাক চাজবদগী হৌজিক্তি য়াম্না নুংঙাইজরে। পাইলস মপুং ফানা ফজরে। ওজাবু ঈশ্বরনা চানবীবা ওইসনু হায়না থৌনজরি।

থাগৎচরিবা : **TH. GUJINDRO**
Leiphrakpam Makha

HL-P/5400/3

ꯅꯤꯖꯔꯤ/গ্যেষ্ট্রিক ফহনবগী ওজা সহিদুর রহমনবু মীয়ামগী সেবা মতম শাংনা তৌবা ঙমহনবীয়ু হায়না মপুদা নীজরি



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা গ্যেষ্ট্রিক্লা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, চাবা থকপা তুমদবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কাখৎলগা চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক চাকপা-শাবা, তাং-তাং চিকপা, পুক নুংশিৎ কারগা থবাক ফুনগৎপা, হকচাং চোকথবা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ খুৎ শীথবা, মসল নাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক শাবা, মীহুন কা হেন্না হুনবা তৌরম্বা অদু ওজা **Makakmayum Sahidur Rahman ☎ 8130735055/ 9612728959** দা চৎতুনা ওজাগী হিদাক চাজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **সহিদুর রাহমন**-বু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংজরিবা মফমশিং ঃ
1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba, 6 a.m. to 9.30 am.
2. Sangai Bazar M/S Gambhir Enterprises,
Takhellambam Konjil (Hiyangthang) 10 a.m. to 5 pm.
3. Pallel Bazar, Kakching District.

থাগৎচরিবা : **MOHD. TOMBI**
Thoubal Moijing

HL-P/5432/3

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু খুৎনা শৌরগা তপ্পা ইনশিনবা, ফম্বদসু শৌজ নান্থবা, চৎপা মতমদসু শৌজ অদু অমুক নান্থরকপা, শৌজ নান্থবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাং পাঙ্গল নোংম নোংমগী শোন্থরকপা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু খুৎনা শৌরগা তপ্পা ইনশিনবা, ফম্বদসু শৌজ নান্থবা, চৎপা মতমদসু শৌজ অদু অমুক নান্থরকপা, শৌজ নান্থবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাং পাঙ্গল নোংম-নোংমগী শোন্থরকপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা চাম্বদা অমাঙথোংদা থুপ্পা, নাবা অমদি শাবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক ইথন থনগৎলগা লৈবা, চাবা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, তাং-তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, য়াংলেন শরু নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, ফম্বী শোনবা, অহিং তুম্বা য়াদবা তৌরম্বশিং অদু **MV AZAD PHUSAM ☎** 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar (Wednesday & Saturday open)

থাগৎচরিবা : **PH. MANISANA**
Keishampat

HL-P/5463/3

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER III, LAMPHELPAT, MANIPUR

Ref:- Mut. Case No. 175/AS & SO III ***Dt. 28/9/2018***

Wangkheimayum Rajendro Singh S/o (L) W. Ningthemjao Singh of Wangkhei Amu Leirak.

..... Petitioner

-Vrs-

Wangkheimayum Ibotombi Singh S/o (L) W. Ningthemjao Singh of Wangkhei Amu Leirak.

..... O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯂꯣꯟ/NOTICE

Imphal, Dt. 2nd October, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৭-ৱাংখৈ নোংপোক্কী পাট্টা নং ৩১/অংশ (অরিবা), ২৫৬/১০৬৬ (অনৌবা), হাল দাগ নং ২০৭৮/২৪০৭, এরিয়া ০.০৯১ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্ত পাট্টাদার অসিগী মনাওনুপাদা নামা ওনবীরো হায়দুনা AS & SO III গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা আপতি (ওবজেক্সন) তৌবীরবা য়াগনি। মসিগী তুংদা লাকপা আপতি (ওবজেক্সন) লৌজরোই। আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথজরগনি।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer III, Lamphelpat Manipur**

HL-P/2235/3

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Phone No. **9612225582**

Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

HL-B/4868/20/9-19/10